ইরৈবাক

১৯ শুবা চহি ২৪৪ শুবা মশিং | ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৪, ২০২১ মেরা ৯ পানবা শগোলশেন | www.ireibak.in | লুপা ১.৬০

ম্যান্মারনা শিন্নরকখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ ঃ ম্যান্মারগী কালে জেলদা লৈরকখিবা ইন্দিয়া মচা ২৩, ঙসি ইন্দো ম্যান্মার ফ্রেন্দসিপ আইরন ব্রিজ ময়াদা লৈবা ম্যান্মারগী ইম্মিগ্রেসন্না ইন্দিয়ান ওথোরিতিশিংদা শিন্নরকখ্রে। মীওই ২৩ অদুগী মনুংদা নুপী ১ য়াওরি। মখোয় ম্যান্মারগী জেলদা চহি ১৩, চহি ৫, অমদি চহি ১ হেন্না লৈরকখিবা মীওই ঙাক্তনি। ঙসি মখোয়শিং খুৎশিন্নবা অদুদা ম্যান্মার তমু তাউন সিপকী ওফিসার উংয়ো সো, ইন্দিয়াগী ওইনা সেনিয়ার ইম্মিগ্রেসন ওফিসার কৃষ্ণ অনন্দ, লেন্দ কষ্টমগী এস পি অমদি মোরে পুলিস ষ্টেসনগী এস আই বাইতেসু শরুক য়াখি। হায়রিবা মীওই ২৩ অদু ইন্দিয়া য়ৌরকপগা মেদিকেল টিম অমনা মোরেগী আই সি পি দা কোভিদ টেষ্ট তৌখি হায়না ফোংদোরক্লি।

ম্যান্মারগী জেলদা লৈরুবা ইন্দিয়াগী মীওই ২৩ ম্যান্মার ওথোরিতিনা শিন্নরকখিবা

শকখংবিদ্রবা লৈবাক্কী অথৌবশিং মীয়ামদা খংহনগদবনি অথৌবা মরিগী কোভর রিলিজ তৌখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ ঃ লৈবাক্কী নিংতম্বা পুরক্কবা থৱাইনা পোন্থা পীখ্রবা ঐখোইগী অনসুং হেরোশিংগী মরমদা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা খংহনবা হায়বসি মথৌ তাই। লমদম অসিগী অথৌবশিংদা চেনখিবা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোনশিং ঙসিগী মীরোলনা তমজনিংঙাইনি হায়না মনিপুরগী গভর্নর লা গনেসনা হায়খ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী রাজভাবন্দা পোষ্ট মাষ্টর জেনরেল নোর্থ ইষ্ট সার্কলনা শিন্দুনা মনিপুরগী নিংখা তম্নবগীদমক লোইলম শন্দোকপা বৃটিশশিংগী মখুত্তা থৱাইনা পোন্থা পিখ্রবা লমদমসিগী অমসুং হোরোশিং, থাঙ্গাল জেনরেল, বির টিকেন্দ্রজিৎ, পাওনা ব্রজবাশি অমসুং পায়পৌ জাদোনংগী মীংদা পুথোকপা স্পিসিয়েল কোভর রিলিজ, তৌবগী থৌরমদা গভর্নর লা গনেসন্না হায়খিবনি। স্পিসিয়েল কোভর অদু রিলিজ তৌরদুনা গভর্নরনা হায়, লমদমসিগী অথৌবশিং অসিনা মমা লৈবাক্কীদমক মখাদা অকিবা অমত্তা পোক্তনা বৃটিশকী মখুত্তা মায়থিরগনি খংনা য়েক্নবশিংগী মায়োক্তা লান্থেংনখিবা অসি চাওথোকচনিংঙাইনি।

গভর্নরনা হায়, অথৌবশিং অসিদা চেনখিবা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোনশিং ঙসিগী মীরোলনা তমজনিংঙাই ওই। মহে মশিং তন্নিবা মহৈরোয়শিংগী লাইরিক্কী মখুমদা অথৌবশিংগী শত্তঃম য়োক্তুনা ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংদা মরৈবাক নুংশিবগী ইহুল ফাওহন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। মীয়াম্না শকখংবিদ্রবা লমদম অসিগী অমসুং হেরোশিংগী মরমদা তুংগী মীরোলশিংদা খংহন্নবা পান্দমদা মহৈরোয়শিংগী সিল্লেবস্তা হাপ্পা তঙাইফদে হায়খি।

ইন্দিয়া অমদি মনিপুর বৃটিশকী মখুত্তগী নিংতম্বা ফংনবা অথৌবা কয়া লৈখি। মখোইনা লৌখিবা থৌদাং হৌজিক শকখংদুনা মীয়ামদা শিংথানরিবা অসিগী চাং হন্থখিবা নত্তে। মসি পুম্নমক খংমিন্নবা তাই। নৌনা পুথোক্লিবা স্পিসিয়েল কোভর অসি অৱাংনোংপোক ষ্টেটশিংদা নত্তনা লৈবাক অসিগী কাচিন কোয়া য়ৌনা শন্দোকখ্রগনি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়ামরুমদগী বৃটিশকী মখুত্তগী নিংতম্বা ফংনবা ঈহৌ হৌরকখিবনি। ঐখোইগী অথৌবশিং ঐখোইনা নিংশিংগদবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা নোর্থ ইষ্ট সার্কলগী পোষ্ট মাষ্টর জেনরেল সোম কামৈনা হায়, নৌনা পুথোক্লিবা স্পিসিয়েল কোভর মরি অসিনা অনৌবা ইনোৎ অমা পিবা ঙম্লগনি। মসিদা নত্তনা অথৌবশিংগী পুন্সি ৱারি মতেক অমা হাপ্পা অসিনা ঙসিগী অমদি হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা অথৌবশিং অসিগী খোঙ্গুল লিবগী ৱাখল্লোনশিং কোকহনবা ঙম্লগনি। স্কুল কলেজশিংগী টেক্স বুকশিংগী কোভরদা অথৌবশিং অসি হাপ্লবদি ষ্টেট অসিগী অমদি লৈবাক অসিগীদমক মখোইনা কখোকখিবা অদু হৌরক্লিবা মীরোলদা পরা অমা ওইরগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা নোর্থ ইষ্ট সার্কলগী পোষ্ট মাষ্টর জেনরেল সোম কামৈ, সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পোষ্ট এল তিকেন অমদি পোষ্ট দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

পুং ২৪ দা চাদ ৫.১ গী চাংদা কোভিদ পোজিটিভ ওইখি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং উখ্রুলদগী পুন্না মীওই ২ লৈখিদে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ ঃ হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা মনিপুরদা মীওই ১৩৫ কোভিদ ১৯ পোজিটিব ওইখি। পোজিটিব ওইবগী চাং অসি চাদ ৫.১ নি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মীওই ২ কোভিদনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা মীওই ২ অসি ঙসি উখ্রুল অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগীনি। মখোইশিং অসি মশাগী অনাবা লৈবা অমদি কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্তঃবশিংনি। হৌজিক মনিপুরদা কোভিদ ১৯ না মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপুনবা মীশিং ১৮৮৯ য়ৌরে হায়রি।

মনিপুর লৈঙাক্কী কোভিদ ১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী পাউদা হায়রিবা মতম অসিদা মনিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তগী পুন্না মীওই ২৬৪৬ কোভিদ ১৯ টেষ্ট তৌখি। টেষ্ট তৌবা অদুদা সেক্যুরিতি পার্সোনেল ১ য়াওনা মীওই ১৩৫ পোজিটিব ওইখি। পোজিটিব ওইরবা জেনরেল পোপুলেসন অসিদা নুপা ৭২, নুপী ৬২ পুন্না ১৩৪ নি। পোজিটিভ ওইরবশিং অসি ইম্ফাল ইষ্ট ৩০, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৮০, থৌবাল ৩, বিষ্ণুপুর ৪, ককচিং ১, উখ্রুল ১১, সেনাপতি, তমেংলোং, তেংনৌপলদগী মীওই অমমমনি। অদুগা কাংপোকপিদগী মীওই ২ পোজিটিব ওইখি। পোজিটিব ওইরবশিং অসিগী দরকার ওইবা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাং কন্টেনমেন্ট অমদি কন্টেক্ট ত্রেসিংশিং লৌখৎলে হায়রি।

হায়রিবা পুং ২৪ গী মতম অসিদা মীওই ১০৭ কোভিদতগী ফগত্তুনা দিসচার্জ তৌখি। দিসচার্জ তৌখিবশিং অদু হোম আইসোলেসন্দগী ১৬, জেনিমস হোস্পিটালদগী ১৪ অদুগা সি সি সি এস দগী ৭৭ নি। অপুনবা পোজিটিভ কেস মশিংনা ১,২২৩৬৩ নি। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপুলেসন্না ১,১৮,৯৫৩ অদুগা সেন্ট্রেল সেক্যুরিতি পার্সোনেল ৪৩১০ নি। লায়চৎ অসিদগী ফখিবা অপুনবা মীশিংনা ১,১৯,০১৫ নি। জেনরেল পোপুলেসন্না ১,১৪,৭৩০ অদুগা সেন্ট্রেল সেক্যুরিতি পার্সোনেলনা ৪,২৮৫ নি। হৌজিক এক্টিভ কেসকী মশিংনা ১,৪৫৯ নি। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপুলেসন্না ১,৪৩৯ অদুগা সেন্ট্রেল সেক্যুরিতি পার্সোনেলনা ২০ নি। লায়চৎ অসিদগী ফগৎলকপগী চাং অসি চাদ ৯৭.২৬ নি হায়রি।

চেরোল অদুনা পুং ২৪ গী মনুংদা তোঙান তোঙানবা হেলথ ফেসিলিতি লৈবশিংদা ঙরাং দি তাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ৮৫৮ অদুগা বি তাইটকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ১৮০ ফংহনখি। ঙরাং কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা দোজনা ৮৫২৫ নি। হৌজিক মনিপুরদা পুন্না কোভিদ ভেক্সিন দোজ ১৭৯৪৯০৫ কাপখ্রে। মসিদা ফাষ্ট দোজনা ১২৩৩১০৮ অদুগা সেকেন্দ দোজনা ৫৬১৭৯৭ নি।

ঙরাং ফাওবদা রিমস, জেনিমস, সি এম সি কোইরেঙ্গৈ, ইবোয়াইমা হোস্পিটাল শিংজমৈ, জিবন হোস্পিটাল ককচিং, শিজ হোস্পিটাল, অমদি রাজ মেদিসিতিদা কোভিদকী ফমুং পুন্না ৫৪৭ হাংখি। মসি জেনরেলগী ফমুংনা ৪৪৬ অদুগা আই সি য়ু গী ফমুংনা ১০১ নি। কোভিদ কেয়ার সেন্টরশিংগী কোভিদকী অপুনবা ফমুং ৩১৭২ লৈবদা ফমুং ২৬৬৫ হাংখি। কোভিদ কেয়ার সেন্টরশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্টকী বাল ভাবন্দ, এন এস য়ু ষ্টেন্দার্দ কলেজ, অয়ুশ হোস্পিটাল, ইম্ফাল ৱেষ্টকীনা এল এল কে, আর দি ৱিং, এম য়ু হোষ্টেল, এন আই টি নি। থৌবাল ককচিং, চুরাচান্দপুর, ফেরজোল, সেনাপতি, তেংনৌপল, জিরিবাম, নোনে, কাংপোকপি, তমেংলোং, চান্দেল, উখ্রুল, অমসুং কামজোংনি। থৌবালগী কোদোমপোকপি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হাংবা কোভিদ কেয়ার সেন্টর অদু থুপচিনখ্রে হায়রি।

লৌফমদা হীদাক কাপশিল্লম্লে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ ঃ থা অসিগী ২ গী অহিং নোংয়াই মীয়াম তুম্নখ্রবা তাল্লক্তা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চরাংপাৎ পি ঐচ সি লৈরক্তা লৈবা কাঙবম থোইবগী চরাংপাৎ লৌকোলদা লৈবা শাৎপা লোইরবা মরু হায়থরবা লৌ শঙম অমা শকখংদবশিংনা ময়াক কনবা হীদাক কাপশিন্দুনা মাংতাকহল্লম্লে হায়রি।

থৌদোক অসি ৱানা হোৎনজরিবা লৌমীশিংগী থৱাই মাংহনবনি। তশেংনা মীওইবগী ৱাখল খন্দবা য়াম্না পাংদবা মীওইশিংনা তৌগদবা থবক্নি। অসিগুম্বা মীওইশিং মী মরক্তা লৈরম্বা অসি লাইবকখিবনি হায়না সোসিয়েল য়ুথ ভলুন্টিয়ার একাদেমি চরাংপাৎ লক্ষ্মি বজারগী মাইকৈদগী ফোংদোরক্লি। অসিগুম্বা থৌদোক অমুক হন্না থোকহল্লকপা তারবদি অখঙ অহৈশিং তান্নদুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পিনবা শেম শাদুনা লৈরে হায়রি।

আইনগী ৱাংমদা হাংবা স্কুল এক্সন লৌগনি

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ ঃ মহৈরোয় লুপ এম এস এফ লিংখৎখিবগী ২৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকায়দা লৈবা লুপ অসিগী হেদ ওফিস্তা পাংথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লুপ অসিগী এদভাইজর টি ঐচ উদোয় লুৱাং, এস রোনেল টি পরিজাৎ, অমুকোগী প্রসিদেন্ট নন্দো লুৱাং অমদি লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ বিদ্যাসাগরনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। থৌরম অদুদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্টনা হায়খিবদা মাংলমচৎতা তৌরম্বা মীয়ামগী অমদি মহৈরোয়শিংগীদমক্তগ মাংজিল থানা চৎলম্বা অদু ঙসিসু মখা তানা চথখিগনি। মনিপুরদা থোকপা ইসুশিংদা লুপ অসিনা মাংজিল থানা থৱাই ফাওবা কখোক্তুনা মায় পাক্ত্রি ফাওবা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা চংশিনগনি।

মহাক্না হায়, লুপ অসিগী কেম্পেইন অমা ওইরিবা ঐখোয় লাইরিক নিংথিনা তমসি, হায়বা একাদেমিক কেম্পেইন অসিগী মখাদা ফিজিকেল ক্লাস হৌরকপগা লুপ অসিনা লৈঙাক্কী স্কুল অমদি লন্নাই মহৈ লোয়শঙশিংদা অকনবা মীৎয়েং চংলগনি।

কাউন্সিল অমদি বোসেমনা পিবা চৎন কাংলোনগী ৱাংমদা হাংলম্বা স্কুলশিং আইনগী ওইবা এক্সন লৌখৎকনি। মথং চহিগী অঙনবা শরুক্তা মনিপুরগী জেনরেল ইলেক্সন অসি পাংথোক্লবা য়ানা লৈরি। ইলেক্সন অসি পাংথোকপগা লোয়ননা মনিপুরদা কোভিদকী থার্দ ৱেব অসি লাক্লবা য়ানা লৈরি। মনিপুরদদি ইলেক্সনগী নামাদা মী পুনবা কোভিদকী এস ও পি থুগায়রি। কোভিদকী এস ও পি ঙাক্তবা অসি তৌবিগনু। কোভিদকী অনিশুবা দোজগী ভেক্সিন অসি মপুং ফানা কাপথোক্লবদি লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়বগী ৱাফম ফোংদোরক্লি।

মনিপুর চাওখৎ মাইকৈরোমদা য়াংশিল্লক্লি

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ ঃ বি জে পি না লুচিংবা লৈঙাক অসি লাকখিবদগী মনিপুরদা তংদু লৈতাবা অমদি চাওখৎ থৌরাংদা খুম্মাং চাওনা পায়খৎলিবসি মীয়াম্না লৈঙাক অসিদা মপুং ফানা শৌগৎপদগীনি। লাক্কদৌরিবা মনিপুরগী জেনরেল ইলেক্সন অসিদা বি জে পি গী লৈঙাক অম্মুক হল্লকখিগনি হায়না ইদুকেসন মিনিষ্টর এম রাজেন্না হায়খ্রে।

লুকের মনিং লৈকায়দা নৌনা শাবা কম্মুনিতি হোল অমা শঙ্গাবদা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর রাজেন্না ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মিনিষ্টরনা ক্বাকসিফাইদা বেদমিন্টনগী টর্ফ থাখিবদু য়েংশিনবগা শঙ্গাবগা লোইননা তাওথোং অফেবদা নেস্নেল দেভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা লুপা ক্রোর ৮.৭ রোম চংনা শেমগদবা ৱাটর সপ্লাই স্কিমসু য়েংশিনখি।

মিনিষ্টরনা হায়খিবদা লমশাং কেন্দ্র অসি অচৌবা কেন্দ্র অমনি। কংগ্রেসকী এম এল এ না কেন্দ্র অসিদা টার্ম অহুম্লক পায়খৎপা ঙম্লমদবা থবক থৌরম কয়ামরুম লৈঙাক অসিগী চহি মরি মখায় অসিদা পায়খৎলি। কেন্দ্র অসিগী মীয়াম অফবা ঈশিং ফংহল্লে। চিফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লিচিং মখাদা মনিপুরগী চিং তম থোং মান্ননা চাওখৎনবা থবক পায়খৎলি। লমশাং কেন্দ্রদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়ামরুম পায়খৎলে হায়খি।

গ্যাসকী পাউ

HRANGCHAL GAS, Old Lambulane
Bk: **24/9/21** V/f **21/9/21**(8.00 a.m. to 12 noon)
Booking and Enquiry No. : **0385-244677**, 9436280866

J RONGMEI INDANE, Wangoi (Home delivery 0nly) **Stk :306**
Bk/ Upto: **16/8/21** V/f **11/8/21** (6.00 a.m. to 9.00 a.m.).
Home Delivery Contact No. : **8119073029, 6909963855**

K & K INDANE, Tera bazar
Bk: **uptodate**
Gas booking counter open at Tera Bazar office (8.00 a.m to 12 noon.)
Uripok, Thangmeiband, Langol (**9362663937**)
Sagolband & Surrounding (**8627912279, 9366722763 6, 9089519886**)
Langjing & Patsoi (**9366474013**)
Konthoujam A/C, Lamsang A/C (9863201839, 6009291975)
For Inquary & others (8258019383, 9366727636)

KHORIPHABA GAS, Nambol (Home delivery 0nly)
Bk/ Upto: **uptodate**
Home delivery Contact No. **9366471778, 8837349474, 8787632782**
For Enquiry 9612337528 (8.00 a.m. to 12 Noon)

R & H INDANE **Stk : 306**
Bk: **1/9/21** V/f **25/8/21** (8 a.m. to 12 noon)
(Home Delivery on 2 January) OFFICE NO. 9366013547, 8414824977, 8413936705 & **8132036940**

ক্বিজ প্রোগ্রামগী মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম পাংথোকখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ ঃ ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফাল অমসুং ষ্টেটকী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা পুন্না শিন্দুনা ইরাই নুমিৎ খুদিংগী নুমিদাংগী মনিপুরী পাউদা শন্দোক্লিবা ক্বুইজ প্রোগ্রামগী মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা গভর্নমেন্ট ম্যুজিক এন্দ দান্স কলেজদা পাংথোকখ্রে। ইন্দিয়ানা নিংতম্বা চহি ৭৫ শরুকপগা মরি লৈননা চথরিবা অজাদিকা অমৃত মহোটসব পালনগী শরুক অমা ওইনা হায়রিবা ক্বুইজ প্রোগ্রাম অসি রিজনেল ন্যুজ য়ুনিট ইম্ফালনা ষ্টেটকী আর্ট এন্দ কলচরগা খুৎশম্নরগা শিনবনি। ঙসি ক্বুইজ অসিগী ইপিসোট ৫ দগী ৮ ফাওবদা মকোক মথং তারবা পুন্না ৱিন্নর ১২ দা মেমেনতো অমদি সার্টিফিকেট য়েন্থোকখি।

থা খুদিংগী ওইনা ইপিসোট ৪। ৪ গী ৱিন্নরশিংদা মনা পিদুনা লাক্লি। হন্দক্কী অসিনা অনিরক শুবা মনা য়েন্থোকপগী থৌরমনি। হৌখিবা আগষ্ট ১৩ দগী হৌখিবা ক্বুইজ প্রোগ্রাম অসি মথং চহিগী আগষ্ট থা ফাওবা চথগনি। মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার এম জয়না অথোইবা মীথুং, দাইরেক্তর ঙাঙোম উত্তমনা থৌরম মপু, ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী রিজনেল ন্যুজ য়ুনিটকী হেদ গিন গাংতেনা অখন্নবা মীথুং ওইখি।

থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার এম জয়না হায়খিবদা থৌরম অসিনা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা লৈবাক নিংবগী ৱাখল্লোন চেলহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। লৈবাক অসিনা নিংখা তম্বা চহি ৭৫ মপুং ফারকপগী অজাদিকা অমৃত মহোসব পাংথোকপগী মপুং ওইবা পান্দমদি হৌগৎলক্লিবা মীরোলদা লৈবাক নিংবগী ৱাখল্লোন চেলহনবা, মখোয়দা সিটিজেন অমা ওইবগী দাইত্ব নিংথিংনা খংহন্দুনা লৈবাক্কীদমক করি তৌবা য়াবগে হায়বদুগী ৱাখল্লোন পোকহনবনি। মীপুম খুদিংমক্না মখোয় মখোয়না পায়রিবা শিনফম অদুদা কখোকপগা লোয়ননা হোৎনদুনা লৈবাক্কীদমক অফবা থবক খরা তৌনবগী তাঞ্জা অদু লৌনবা হোৎনগদবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর এন জি উত্তমনা হায়খিবদা লৈবাক অসি করম্বা ফিভমদা লৈরম্মী। হৌজিক করি ওইরি, অমদি তুংদা করম্বা ফিভমদা লৈহৌগদগে হায়বদু লেপথোক্কবা আজাদি কা অমৃট মহোসব পালন অসি পাংথোকপনি। পালন থৌরম অসি মনিপুরগী মফম অনি মোইরাংগী আই এন এ কমপ্লেক্স অমসুং পলেল এয়ার ফিল্ড য়াওনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ৭৫ দা হৌদোকখি। লৈবাক অসিবু হেন্না অৱাংবা থাক্তা পুখৎপদা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংনা অহেনবা থৌদাং লৌননবা মহাক্না ফোংদোকখি।

মোরে পুলিসনা ফারে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

মোরে, ওক্টোবর ১৩ ঃ শাশিন্নবা আধার কাদ পায়রম্বা তামিল নুপী অমা অমদি নুপী অসিবু ইন্দিয়াদা পুথোক্কবা হোৎনরম্বা ইন্দিয়াগী তামিল নুপা অমা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা ইম্ফাল মোরে লম্বীগী চিক্কিম ভিল্লেজ মচাদা লৈবা মোরে পুলিসকী চেক পোষ্টতা মোরে পুলিসনা ফারে হায়রি। মোরে রোমদগী ইম্ফাল তম্না থোরকপা ইকো ভেন অমা চেক তৌবদা হায়রিবা মীওই ২ অদু ফাবনি। ফারবা মীওই ২ অদুদি রঞ্জিৎ রাজা, চহি ২৫, তামিলনাদুদগীনি। নুপী অদুগী মমিংনা আইয়েক থিদা তুন চহি ৩০ ম্যান্মারদগীনি। রঞ্জিৎ রাজা হায়রিবা মীওই অসিনা নুপী অদুগী ফেক্ত অধার কার্দ শারগা ইন্দিয়াদা পুনবা হোৎনরম্বনি। মখোয় অনিগী মথক্তা মোরে পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথরি হায়রি।

লানবুং ওন্থোক্কনু

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ ঃ লাক্লিবা ১২ শুবা মনিপুর লেজিস্লেতিব এসেমব্লি ইলেক্সন অসি মহাভারতকী কুরুক্ষেত্রগী লানবুং ওন্থোক্কনু। হিংশানা ইলেক্সন নত্তে। ইশাগী অপান্বদা ভোৎ পিবা অসি ইশাগী রাইটনি হায়না য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মনিপুরগী চিয়ারমেন সাপম শামুঙৌগী চেরোলদা হায়রি। চেরোল অদুনা মখা তারদুনা ইলেক্সনগা মরি লৈননা নোংমৈ কাপ্পা, অঙম অঙম্বা ফুন চৈনবা তৌদুনা অশোক অপন য়াওনরিবা অসি মনিপুর মীয়ামগী খ্বাইদগী লাইবক থিবা থৌদোকনি।

অসিগুম্বা থৌদোক অসি মখা তানা থোক্তনবা হোমগী চার্জসু পুরিবা চিফ মিনিষ্টরনা অহেনবা মীৎয়েং চংহন্নিংই। নাকল অনিমক্কী মীওইশিং ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী মখাদা মরি লৈনবা পুলিস ষ্টেসনশিংনা শু মোটো কেস লৌখৎফম থোকই। আই পি সি গী সেক্সন কয়া পান্দুনা হিংশাদা চেন্নরিবশিং জেলদা ফাজিন্দুনা থম্বনা অসিগুম্বা পামদবা থৌদোক ৱাথোক অসি হন্থহনগনি হায়রি।

অওনবা অফবা লম্বীদা পুরকপদা নহাশিংগী থৌদাং লৈ

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ ঃ লমদম অমা, খুন্নাই অমা, কেন্দ্র অমদা অহোংবা অওনবা অফবা লম্বীদা পুরক্কবা হোৎনবদা হৌরক্লিবা নহাশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়না এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা হায়খ্রে। ঙসি ৱাংখেম য়ুথ কংগ্রেস কম্মিতিনা শিন্দুনা কেন্দ্র অদুগী নহাশিংগী ওইবা নোংমগী ওইবা খন্ন নৈনবগী মীফমদা মেঘচন্দ্রনা ফোংদোকখিবনি।

য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা ময়াই লৈকায়গী মীপুনশঙদা পাংথোকখিবা খন্ন নৈনবা অদুদা এম পি সি সি গী ৱার্কিং প্রসিদেন্টসু ওইরিবা কে মেঘচন্দ্রনা অথোইবা মীথুং, ৱাংখেম ব্লোক মহিলা কংগ্রেস কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট শ্রীমতি কোন্সম ওংবী কুঞ্জরানি দেবীনা থৌরম মপু, এম পি সি সি গী স্পোক্সপার্সন ভুলেন্দ্র নিঙোম্বম, ৱাংখেম য়ুথ কংগ্রেস কম্মিতিগী এম ইবোমচা অমদি ধনবির লাইশ্রমনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মেঘচন্দ্রনা হায়খিবদা লৈবাক অসিগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর পন্দিৎ জৱাহরলাল নেহরুনা য়ুথ আর দি পিল্লর ওফ নেসন, নহাশিং অসি লৈবাক অসিগী তুংগী য়ুম্বীশিংনি হায়বসি নিংশিংবা য়াই। লৈকায় লমদম খুন্নাই অমগী চাওখৎ থৌরাং অমদি লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম ফগৎহনবদা, লৈকায়দা ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং চাবা য়োনবা থিংবগী মতাংদা লৈকায়গী য়ুথ ক্লবশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়খি।

ঙসিগী দিজিতেল ৱার্ল্ড অসিদসু তোঙান তোঙানবা সোসিয়েল মেদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা নহাশিং অসিনা লৈকায়, লমদমগী হিরম কয়াদা করি পায়খৎখ্রে। পায়খৎপিদ্রি হায়বনচিংবা ৱাকৎ ৱারোলশিং পোষ্ট অপলোদ তৌদুনা মীয়ামদা খংহল্লিবা অসিদসু ঙসিগী নহাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। পোলিটিকেলগী লমদসু লমদম অসিগী নহা কয়া লৈঙাক শেম্বদা য়াওদুনা অফবা লৈবাক্কী ওইবা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎনবা হোৎনবদা শরুক য়ারি হায়খি।

ধনবির লাইশ্রমনা হৌজিক মনিপুরগী নহাশিংগী ওইরিবা ফিভমশিং তুংদা করি ওইরক্কনি করি তৌগনি, তুংগী অফবা খুন্নাই অমা অওনবা অমা পুরক্কে হায়রবদি ঙসিগী নহাশিং অসিনা পুরক্কদবনি হায়খি।

শক্নাইরবা শৈশকপা নোংমাইথেম পাহাড়ি–গী
১৫শুবা লৈখিদবগী কুমওন থৌরম

কোবিদ–১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা
হৈকৎ লৈকৎ খক্তমক তম্লগা
পাংথোকচরগনি।

নুমিৎ ঃ নিংথৌকাবা চৈচৎ ১৮ ওক্টোবর, ২০২১
মতম ঃ অয়ুক পুং ১০.০০ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা

মফম ঃ লময়ানবা শঙলেন, কোনুং লম্পাক, ইম্ফাল

য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা ময়াই লৈকায়দা পাংথোকপা মীতিংদা এম এল এ মেঘচন্দ্র শরুক য়াখিবা

RELEASE FUNCTION OF SPECIAL COVERS ON

মনিপুরগী অথৌবা মরিগী স্পিসিয়েল কোভর গভর্নরনা রিলিজ তৌখিবা

এ আই আর ইম্ফালনা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকা পুন্না পাংথোকপা ক্বুইজগী মনা য়েন্থোকখিবা